# কর্নাটকাদা চীফ মিনিষ্টর রোটেসন্দা ওইনবগী ৱাফম লৈতে : কুমারস্বামী



বেঙ্গলুরু, মে ২০ (এজেন্সী):
কর্নাটকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা ঐচ দি কুমারস্বামীনা ফোঙদোকখিবদা, চীফ মিনিষ্টর পোষ্ট অদু কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী মথক্তা রোটেসন ওইনা পায়ননবগী ৱাফম লৈতে।

ঙরাং নুমীদাং কোংগ্রেস অমসুং মহাক্কী পার্টিগা পৱার য়েন্থোক্লবগী মতাংদা কুপ্পা খন্নখিবা লৈখ্রে। কোংগ্রেসকী এম এল এল অমনা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ওইগনি হায়খি।

বি জে পি-জে দি এসকী এল্লাইয়েন্স কুমজা ২০০৭ দা কায়খি। মতম অদুদা পৱার য়েন্থোক্লবগী মতাংদা য়ানখিবা ৱাফম ঙাক্তে হায়বগী মরাল শিনবা কয়া লৈখি। বি জে পিনা চীফ মিনিষ্টর ওইননবগীদমক মহাক য়ানখিবগী মতুংইন্না ষ্টেপ দাউন তৌখিবা লৈখি হায়রি।

কোংগ্রেসকা চুংশিন্নরকখিবা মতম অসিদা হান্নগুম্না চীফ মিনিষ্টরগী ফম রোটেসন্দা পায়নবগী ৱাফম লৈগদ্রা হায়না হংলকপা পাউমীশিংগী ৱাহং অমদা কুমারস্বামীনা ফোঙদোকখিবদা অদুগুম্বা ৱাফম অদু লৈররোই। কোংগ্রেস পার্টিনা জে দি এসতা কনি দসন অমত্তা য়াওদনা শৌগৎলকখিবনি। পার্টি অনীমক্না ভোট মশিং থিবগী অরোইবা মতম অদু লাকপদা য়ানবা ৱাফম অদু পুরকখিবনি।

থাংজ নুমীৎতা মহাক অমসুং মহাক্না চুংশিন্নরিবা কাঙবুনা মায় পাকপগী ফীভম অমা উবা ফংখি। বি জে পিগী চীফ মিনিষ্টর বি এস য়েদিয়ুরপ্পানা থাজবগী ভোট লৌনদ্রিঙৈ মাঙওইননা ফম থাদোকখ্রে। মহাক্না এসেমব্লীদা মেজোরিটি লৈ হায়বা উৎপা ঙমদবনা ফম থাদোকখিবনি। কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসনা মখোয়গী এম এল এশিং বি জে পিনা ফাননবা হোৎনখি হায়না মরাল শিনবা কয়াসু লৈখি। কোংগ্রেস অমসুং জে দি এসকী এল্লাইয়েন্স অদুদা হৌজিক এম এল এ ১১৬ লৈরে। মরম অদুনা লৈঙাক শেম্না য়াবগী চপ চাবা মশিং অদু য়ৌরে হায়খি।

নাকল অমরোমদা, বি জে পিনা জে দি এস অমসুং কোংগ্রেস চুংশিন্নরিবা অদু খুদোংচাদবা কয়া লাক্লগনি। লোয়ননা থুনা কায়খিবা য়াবগী ফীভম লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি। অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৪ দা জে দি এস অমসুং কোংগ্রেস চুংশিন্নখিবা লৈখ্রে। অদুম ওইনমক চুংশিন্নবা অদু চহী ২ ফানা চৎখিদে। মতম অদুদা জে দি এসকী লুচিংবা সিদারময়াদা কোংগ্রেসনা শৌগৎখিবনি। মদুগী মতুংদা জে দি এসকী লুচিংবা কুমারস্বামীতা অমুক কোংগ্রেস পার্টিনা শৌগৎতুনা লৈঙাক শেম্মনবা হোৎনরকখিবনি হায়রি।

# লানগীদমক মী য়াওদবা টেঙ্ক, ভেসেল, রোবোটিক খুৎলায় শেমগৎনবা মীৎয়েং থল্লি



ন্যু দিল্লি, মে ২০ (এজেন্সি):
মী য়াওদবা টেঙ্ক, ভেসেল, এরিয়েল ভেহিকল অমসুং রোবোটিক ৱিপনশিং শেমগৎনবা ইন্দিয়ানা অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

তুংদা লাক্কদবা লানফমশিংদা অওনবা ৱার ফিয়ার অমা শেমগৎনবা অমদি আর্মি, নেভি অমসুং এয়র ফোর্সনা বোর্দর পোলিসী অমা ওইনা থৌশিল কয়া পায়খৎপা য়াননবা মীৎয়েং চঙলকপনি। চাইনানসু অখন্নবা এপ্লিকেসন কয়া মিলিটরিগী শেম-শাবগী চাং হেনগৎহল্লি। মদুগা মান্ননা ইন্দিয়ানসু মী য়াওদবা টেঙ্ক, ভেসেল, এরিয়েল ভেহিকল অমসুং রোবোটিক ৱিপন কয়া শেমগৎনবা অখন্নবা মীৎয়েং থল্লকপনি হায়রি।

সেক্রেটরি দিফেন্স প্রদক্সন অজয় কুমারনা ফোঙদোকখিবদা, লৈঙাক অসিনা ফোর্স অহুম- লান্মী, নেভি অমসুং এয়র ফোর্সকীদমক অখন্নবা এপ্লিকেসন কয়া পুথোক্লবগী লমদা মীৎয়েং থমদুনা ৱারেপ লৌখ্রে।

ফীভম অদু হেন্না পাক চাউবা অমদি তুংদা লাক্কদবা লানফমশিংগীদমক তঙাইফদবা অমা ওইনা লৌরি। হায় পৱার টাস্ক ফোর্স অমা শেমগৎনবা হোৎনরি। মদু টাটা সন্স চ্যেরমেন এন চন্দ্রসেকরননা লুচিংগনি। অদুগুম্বা প্রোজেক্ট অদুগী ফ্রেমৱার্কশিং চপ চানা লেপথোক্লোই। পার্টনশিপ মোদেল আর্মদ ফোর্স অমসুং প্রাইভেট সেক্তরশিংনা প্রোজেক্ট অদু পায়খৎকনি। ইনি দয়ানা নেক্স জেনরেসন ৱার ফিয়ার অমা শেম শারি। মদুনা তুংদা লাক্কদবা লানফমশিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা থৌশিল অমা ওইগনি।

ঐখোয়না মথংগী ৱার ফিয়ার অমগীদমক শেম-শাবা হায়বদু তঙাইফদবা অমনি। অহেনবা টেক্নোলোজি কয়া পুথোক্তুনা ওটোমেটিক ওইবা খুৎশু-খুৎলায় অমদি রোবোটাইজ তৌরবা ৱিপন কয়া শেমগৎকদবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

মালেমগী পৱার লৈবা লৈবাকশিংগা মান্ননা ইন্দিয়ানসু অখন্নবা লানফম অমগীদমক শেম-শাবা অমদি ফীভমশিং ফগৎহন্নবা হোৎনবগী তঙাইফদবা অদু লৈরিবনি। মী তোংদবা এরিয়েল ভেহিকল, নেবেল ভেসেল, টেঙ্ক অমসুং রোবোটিক রাইফলস ৱিপন সিষ্টেম কয়া শেমগৎকনি। অদুগুম্বা খুৎলায়শিং অদু তুংদা লাক্কদবা লানফমশিংগীদমক শেমগৎকদবনি হায়রি। মায়কৈ খুদিংমক্তা তৌবা ঙম্বগী মগুন হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মিলিটরিগী মতুংইন্না প্রোজেক্ট অদুগী মনুংদা লৈবাক অসিগী ফোর্স অহুম্না শীজিন্নবা য়াবা মী য়াওদবা খুৎশু-খুৎলায়শিং শেমগৎকদবনি হায়রি।

# নেক্সেলশিংনা আই ঈ দি বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চখবদা সিক্যুরিটি পার্সনেল ৬ শিরে



দন্টেৱারা, মে ২০ (এজেন্সি):
ছটিসগরগী দন্টেৱারাদা নেক্সেলশিংনা বোম পোকখায়হন্দুনা এটেক চখরকপদা ছটিসগর আর্মদ ফোর্সকী পার্সনেল তরুক শিরে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না বোম পোকখায়খিবা মফম অদুমক্তদা মীওই মঙা খুদক্তা শিখি। অদুগা শোক্লবা মীওই অমনা লায়কন্ননা হোৎনবদা লৈখিদবনি হায়রি।

নেক্সেলশিংনা আর্মদ ফোর্সকী গাড়ীদা অতম্না বোম অদু পোকখায়হল্লকপদা অশোক-অপন নংখিবা মীওই অমা চোলনরদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা লায়কন্নরি হায়রি। অহানবা ওইনা ফংখিবা পাউ মতুংইন্না খুদোংথিবা থৌদোক অদুদা লান্মী তরুক শিখ্রে। অদুগা অমনা অরুবা ফীভমদা শোকহনখ্রে হায়বা খঙবা ঙম্লে। সিক্যুরিটি ফোর্সনা চোলনর খুঙ্গংগী মফম কয়াদা থি-হুম্বগী থবক চখখ্রে। পোকখায়রকখিবা বোম অদু অসুক্কী মতিক মপাঙ্গল কল্লি। গাড়ী কয়া পাইথোক্তুনা তাখি হায়রি।

লৈখিদ্রবা লান্মীশিং অদু ছটিসগর আর্মদ ফোর্সকী অহুম, দিষ্ট্রিক্ট ফোর্সকী অনীনি হায়রি। থৌদোক অদুদা লান্মী অনী অশোক অপন নংখি। মখোয় লায়কন্ননবা হোৎনবদা অমদি লৈখিদ্রে হায়রি।

খুদোংথিবা নংখ্রবা মফম অদুদা সেন্ট্রল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী লান্মী খুৎপু অমা চঙশিনখি। চোলনর লমদম য়ৌরকপদা সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা তোংবা গাড়ী অদুদা অতম্না বোম অদু পোকখায়হল্লকখি। দন্টেৱারা দিষ্ট্রিক্টকী মফম কয়াদা নেক্সেলশিং মপাঙ্গল কন্না লৈরি। অদুগুম্বা নেক্সেলশিং অদু লাকশিন্নবগীদমক লান্মীনা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা পেট্রোলিং চৎপগী থবকসু পায়খৎলিবনি। লান্মীগী খুৎপু অদু চোলনর অমসুং কিরনদুরগী মরক্তা শেম-শারিবা লম্বী য়েংশিন্নবা চৎপদা এটেক অদু মায়োক্নখিবনি। হৌজিক সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা ওপরেসন চখবা হৌখ্রে হায়রি।

# মধ্য প্রদেশতা ষন ককপনি চিংনবা মীওই অমা মীয়াম্না ফুবদা শিরে



ভোপাল, মে ২০ (এজেন্সী)ঃ
মধ্য প্রদেশকী খুঙ্গং অমদা ষন ককপনি চিংনবা মীওই অমা মীয়াম্না ফুবদা শিরে। খুদোংথিবা থৌদোক অদু সটনা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা থোকখিবনি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না সটনাগী অমগ্রারা খুঙ্গংদা লৈবা রিয়াজ খান মীয়াম্না ফুবদা লৈখিদ্রে। মহাক্কী ড্রাইভর সকিল কৌবা মীওই অমনা অরুবা ফীভমদা শোকখ্রে। হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎকী নুমীদাংদা মশিং য়াম্লবা মীয়াম্না রিয়াজ খান্দা এটেক অদু চখরকখিবনি। মহাক্না লাকমিন্নবা অতোপ্পা মীওই অনীদি মফম অদুদগী নাম্থোকহৌবা ঙমখি হায়রি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না রিয়াজ খান অমসুং সকিলনা কাইমোরদগী খুঙ্গং অদুদা হল্লকপদা মখোয়গী নুং পেকফমদা ষন অমা লৈবা উখি। মদুদা ষন হাৎকদৌরে হায়বগী চিংনবা লৈবনা মথং মথং পাউ পীনখিদুনা মশিং য়াম্লবা মীয়ামশিং অদু নুং পেকফম অদুদা থোমজিল্লক্তুনা রিয়াজ অমসুং সকিলবু ফুখি। পুলিসনা পাউ অদু ফংবদগী মফম অদুদা চঙশিনখিবদা মীওই অনী শোক্তুনা লৈরম্বা থেংনখি। হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নবদা রিয়াজ খান অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে হায়রি। মফম অদুদগী ষনশা ওইগনি চিংনবা ময়োম অনী ফংবা ঙমখ্রে হায়না সিনিয়র পুলিস ওফিসর রাজেসনা ফোঙদোরক্লি।

# মহৈরোয়শিংনা নোংমদা পুং ৪ দগী ৭ ফাওবা ফোন শীজিন্নৈ, ১৫০ রক চেক তৌরি



ন্যু দিল্লি, মে ২০ (এজেন্সী):
অলিগর মুস্লিম য়ুনিভর্সিটি অমসুং ইন্দিয়ন কাউন্সীল ওফ সোসল সাইন্স রিছার্স (আই সী এস এস আর)না থিগৎপদা ফংখিবা রেকোর্দকী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা লৈবা কোলেজ তম্লিবা মহৈরোয় অমনা নোংমদা মহাক্কী ফোন অদু ১৫০ রক চেক তৌদুনা য়েংই হায়রি।

লৈবাক অসিগী সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ২০ দা দিজিটেল ইন্দিয়াকী খুদোংচাবা লৈহল্লি। য়ুনিভর্সিটিশিং অদুগী মহৈরোয় ২০০/২০০ দা অখন্ননা ৱাহং পাউহং তৌদুনা থিগৎপদা ফংখিবগী মতুংইন্না মখোয়না নোংমদা চাংচৎ ওইনা ১৫০ রক ফোন হাংদুনা চেক তৌরি।

মদুতা নত্তনা মহৈরোয়শিং অদুদা পূক্লিং ৱাখল লাংতক্লবা অমদি মেসেজ নৎত্রগা ইনফোর্মেসন মাঙখিগনি হায়বগী অকিবা ফাওই। অদুগুম্বা হৈনবী অদুনা মখোয়গী মহৈ-মশিন তম্বা অমদি হকশেলদা চাউনা অকায়বা পী হায়রি।

স্মার্টফোন শীজিন্নরিবা মহৈরোয় চাদা ২৬না ফোন কোল তৌবদা শীজিন্নৈ। অদুগা মশিং য়াম্লবা মহৈরোয়শিং অদুনা সোসল নেটৱার্ক শীজিন্নৈ হায়রি। মখোয়না গুগলস সর্স তৌবা অমসুং ইন্টর্টেন্টমেন্টকী লমদা ফোন শীজিন্নবা থেংনৈ। অয়াম্বা মহৈরোয়শিংনা ফোন্দা ফিল্ম য়েংবগী থৌওংশিং চৈথে হায়না প্রোজেক্ট দিরেক্টর মহম্মদ নবিদ খাননা ফোঙদোরক্লি।

ফোন পায়বা মহৈরোয় চাদা ১৪ না নোংমদা পুং ৩ রোম ফোন শীজিন্নবগী রেকোর্দ ফংলি। অদুগা চাদা ৬৩ না পুং ৪ দগী ৭ ফাওবা ফোন শীজিন্নবগী রেকোর্দ ফংই হায়রি।

মহৈরোয়শিং অদুনা স্মার্ট ফোনশিং অদু সোসল মিদিয়া শীজিন্নদুনা মেসেজ থাবা, ফেসবুক শান্নবা নৎত্রগা ফিল্ম য়েংবগী থৌওংশিং পাক শন্না চৈথে। মহৈরোয় চাদা ২৩ না নোংমদা পুং ৮ দগী তাদনা ফোন শীজিন্নবগী খুদমসু ফংখি হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মহৈরোয় চাদা ৮০ না স্মার্ট ফোন শীজিন্নৈ। এপ্লিকেসন কয়া হাপ্তুনা কম্প্যুটরগী মহুৎ শীন্দুনা ফোনশিং অদু শীজিন্নবগী রেকোর্দসু ফংখি হায়রি।

# সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশতা মপান লৈবাক্কী লম কোয়বশিং লাকপা হেনগৎহন্নবা টুরিজম মিনিষ্ট্রিনা মীৎয়েং চঙলি



ন্যু দিল্লি, মে ২০ (এজেন্সী)ঃ
অরুনাচল প্রদেশ অমসুং সিক্কিমদা মপান লৈবাক্কী মীওইশিং চঙবদা অথিংবা লৈরিবা অদু লৌথোক্লবা টুরিজম মিনিষ্ট্রিনা হোৎনরি হায়না টুরিজম ষ্টেট মিনিষ্টর কে জে অলফোননা ফোঙদোরক্লি।

অদুগুম্বা অথিংবা অদু হোম মিনিষ্ট্রি অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরবা মতমদতা লৌথোকপা য়াগনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি অরুনাচল অমসুং সিক্কিমদা মপান লৈবাক্কী মীওইশিং চঙগে হায়রবদি প্রোটেক্টেদ এরিয়া পার্মিট অমসুং রেষ্ট্রিক্টেদ এরিয়া পার্মিট লৌবা তারি। অৱাং নোংপোক্কী মফম খরদগী লালহৌবগী ঈরাং মতম শাংনা লৈরকপনা সেন্সিটিব ওইবা মফম অমা ওইনা লৌরি। মদুনা মরম ওইরগা মপান লৈবাক্কী মীওইশিং চঙলকপদা অথিংবা লৈরকখিবনি হায়রি।

সেন্টরনা হায়রিবা মফমশিং অদুদা নেসনল সিক্যুরিটিদা শিংনরকপা কয়া লাকপা য়াই হায়না খনবদগী লম কোয়বশিং চঙবদা য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি। মিনিষ্ট্রিনা নোর্থ ইষ্টকী টুরিজম হেন্না চঙখৎহন্নবগী অথিংবা অদু লৌথোক্লবা প্রপোজ তৌখ্রে। হৌখিবা থা ৬ কী মতম অসিদা লৈঙাক অসিনা অৱাং নোংপোক্কী মফম খরদগী অথিংবা লৌথোকখিবা লৈখ্রে। ঙমখৈগা তায়ননা লৈরিবা মফমশিংসু অথিংবা অদু লৈহন্দনবা হোৎনরি হায়না অলফোননা ঙসি পি টি আই ন্যুজ এজেন্সীদা ফোঙদোকখ্রে।

চৎলিবা থা অসিগী ১৬ তা পাঙথোকখিবা হোম অমসুং দিফেন্স মিনিষ্ট্রিশিংগী ওফিসরশিংগী মীফমদা টুরিজম মিনিষ্ট্রিনা অথিংবা অদু লৌথোক্লবা ৱাফম পুখৎখিবনি হায়রি।

কে জে অলফোননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অৱাং নোংপোক লমদমদা লম কোয়বা লাকপা মীওইশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা ৱাফম অদু পুখৎখিবনি। ষ্টেটশিংনসু হিরম অদুগী মতাংদা মরী লৈনবশিংদা তান্নবগী তঙাইফদবা লৈ। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি অরুনাচল অমসুং সিক্কিমদগী অথিংবা অদু লৌথোক্লবগী অকক্লবা মতম হায়বা ঙমদ্রি হায়রি।

অদুম ওইনমক হৌখিবা থা খরগী মমাঙদগীদি খোঙজেল য়াংনা থৌশিল অদু পায়খৎনবা হোৎনরকখি। টুরিজম মিনিষ্ট্রিনা লম কোয়বা লাকপশিংদা অথিংবা থল্লিবশিং লৌথোক্লবা থৌরাং তৌরি। মরুওইনা ঙমখৈ পরিংগা নক্না লৈবা রাজস্থান, উত্তরখন্দ, জম্মু অমসুং কাশ্মির অমসুং হিমাচল প্রদেশনচিংবা ষ্টেটশিংগী অকক্লবা মফম খরদা থল্লিবা অথিংবা অদু লৌথোক্লবা হোৎনরি হায়রি।

মণিপুর, মিজোরাম অমসুং নাগালেন্দদদি কুমজা ২০২২ গী দিসেম্বর থা ফাওবদা প্রোটেক্টেদ এরিয়া পার্মিট অদু চৎনরোই। ষ্টেটশিং অদুদা লৈরম্বা অথিংবশিং অকক্লবা মতম খরগী ওইনা লৌথোকখ্রবনি হায়রি।

অরুনাচল প্রদেশকী মফম পুম্নমক্তা প্রোটেক্টেদ এরিয়া পার্মিটকী চৎনকাঙলোনশিং চৎনদুনা লৈরি। অথিংবা অদু লৈবনা ষ্টেট অদুদা তঙাইফদবা চেচাংশিং য়াওদনা মপান লৈবাক্কী লম কোয়বা মীওই অমত্তা চঙবা য়াহন্দনা লৈরি। চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ থাদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর (ষ্টেট) কিরেন রিজিজুনা ফোঙদোকখিবদা, ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা লম কোয়বা মীওইশিংনা চঙবদা অথিংবা থল্লম্বা অদু কোমথোক্লবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক পাকিস্তান অমসুং চাইনাগী মীওইশিংদি কোমথোকপা লৈরবসু চঙবদা অথিংবা লৈগনি হায়রি।

# ত্রিপুরাগী ট্রাইবেল ৬০০ লোম হিংনবগীদমক বাংলাদেশতা থবক থিনবা চেনশিন্নখ্রে : চীফ হ্বিপ জিতেন্দ্র চৌধরি



অগরতলা, মে ২০ (এজেন্সী)ঃ
ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক থংবা ষ্টেট অমা ওইরিবা ত্রিপুরাদা লৈরিবা ট্রাইবেল ৬০০ রোম বাংলাদেশতা চেনশিনখ্রে। মখোয় চানবা চীঞ্জাক অমসুং থবক ফংদবনা মরম ওইরগা হিংনবগী লম্বী ফংননবগীদমক চেন্নখিবনি হায়না সী পি আই-এমগী চীফ হ্বিপ জিতেন্দ্র চৌধরিনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাং থংবা ত্রিপুরাগী চীংগী লমদম ওইনা তৌবা গোবিন্দবারিগী মনুং চনবা খুঙ্গং অহুমদা লৈরম্বা ট্রাইবেল খুঞ্জা ৬০০ রোম বাংলাদেশতা চৎখ্রে। মখোয়না মফম অদুদা লৈবদা চানবা চীঞ্জাক ফংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা অমসুং থবক লৈতবনা মরম ওইরগা মরমদম থাদোক্তুনা চেন্নখিবনি হায়রি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ট্রাইবেলশিং অদু চিতাগোং হিল ট্রেক্টকী খা নোংপোক থংবা শরুক্তা মরূ-মরাং, লমলক্তা উহৈ অমসুং লমলক্কী আলু খোমজিন্নবা ময়ুম থাদোক্তুনা চৎখিবনি।

মখোয়না অদুগুম্বা উহৈ-ৱাহৈশিং অদু খোমজিল্লুরবা মতুং নুংশা মঙালদা মপুং ফানা কংহল্লি। কংলবা উহৈ-ৱাহৈশিং অদু পুদুনা অমুক ত্রিপুরাদা য়োনবগী থবক চৈথে হায়রি।

অদুম ওইনমক মখোয়না পুরকখিবা উহৈ-ৱাহৈশিং অদু মমল হন্থনা কৈথেলদা য়োনবনা মরম ওইরগা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লি।

দলাই দিষ্ট্রিক্ট মজিষ্ট্রেট বিকাস সিংহনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা, ত্রিপুরাগী ট্রাইবেল কয়া বাংলাদেশতা চেনশিনখ্রে হায়বগী মতাংদা রিপোর্ট ফংবা লৈখ্রে। বাংলাদেশ অমসুং ত্রিপুরাগা তায়নরিবা নোংচুপ থংবা ঙমখৈ পরিংশিং অদু ফীভম কয়ানা মরম ওইরগা কিলোমিটর ৭৫ শাংনা শম্বল খাদুনা লৈরিবনি। করিগুম্বা মতমদা বাংলাদেশতগী মীওই কয়াসু ত্রিপুরাদা চঙশিল্লকপা থেংনখি।

বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙমখৈ লাম্থোক লানশিন তৌবশিংগী মথক্তা অকনবা মীৎয়েং চঙলিবনি। ভারত্তিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী লেজিসলেচরগা ৱারী শানবদা ট্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা মফমশিং অদুদা চানবা চীঞ্জাক নীংথিনা ফংদবা অমসুং থবক তৌফম লৈতবনা মীওই চা কয়া বাংলাদেশতা চঙশিন্দুনা থবক শুননবা হোৎনরি হায়বগী পাউ খঙবা ঙমখি।

বাংলাদেশতা চঙশিনখিবা ত্রিপুরাগী ট্রাইবেলশিং অদুনা চিতাগোং হিল ট্রেক্তা ঝুম কল্টিভেসন তৌদুনা খুন্দা লৈতাখিবসু য়াওরে হায়রি।

সী পি আই-এমগী লুচিংবা অমনা ফোঙদোরকখিবদা, বি জে পিনা ষ্টেট অদুদা লৈঙাক পায়রকপা মতম অসিদা মহাত্মা গান্ধী নেসনল রুরেল ইমপ্লোয়মেন্ট গরেন্টি এক্টকী মখাদা মীওই কয়াদা থবক পীননবা হোৎনরি। অদুম ওইনমক ট্রাইবেলশিংনা খুন্দাবা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদদি খুদোংচাবা অদু য়ৌহনবা ঙমদ্রে হায়রি।

মনুং হঞ্জিনবা মফমশিং অদুদা পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন সিষ্টেমগী অহোংবা মমলদা পীবা চেঙশিংসু চাং নাইনা ফংহনবা ঙমদে। মদুনা মরম ওইরগা ট্রাইবেলশিং অদুদা শাথিবা চৈফু অমা ফংলিবনি হায়রি।

# গঞ্জা কেজি ৩৯০ ত্রিপুরা পুলিসনা ফারে

অগরতলা, মে ২০ (এজেন্সী)ঃ
এয়রপোর্ট পুলিসনা অকক্লবা পাউ অমা ফংবগা লোয়ননা থি-হুম্বগী থবক চখবদা গান্ধী গ্রামগী মধ্যপরাদা লৈবা গাড়ী থন্স্ফম অমগী মমাঙদগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ৩৯০ ফাগৎপা ঙমখ্রে।

গঞ্জাশিং অদু ট্রক অমদা য়াওরমখিবনি। গাড়ী থন্স্ফম অদুগী মপুসু গঞ্জাগা কোন্ননা ফাগৎলে। থি-হুম্বগী থবক চখখিবা পুলিসকী খুৎপু অদু এস পি ৱেষ্ট অজিদ প্রতাপ সিংহনা লুচিংখিবনি হায়রি।

এয়রপোর্ট পুলিসনা ঙসি পাউমীশিংগা ফোঙদোকখিবদা, অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী মধ্যপরাদা লৈবা গাড়ী থন্স্ফম অমদা থি-হুম্বগী থবক চখবদা হুরান পোৎ ওইনা পুননবা হোৎনরম্বা গঞ্জা কিলোগ্রাম ৩৯০ অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। অথিংবা থমখ্রবা পোৎলমশিং অদুগা কোন্ননা গেরেজ অদুগী মপু সঞ্জিব রোয় (৩৮), অপোকপা সুকেস রোয় ফারে। মখোয়গী মথক্তা এন দি পি এসকী সেক্সন ২৫/২০ (বি) ২(সী) গী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টার তৌরে। মীওই অদু নিংথৌকাবা নুমীৎতা কোর্টতা পুথোক্কনি হায়রি।

/মতম খুদিংমক্তা ইচানুপা লাইশ্রম সুধাকরবু কাওজরোই



L. Sudhakar

ঐগী ওইথংবা ঈশিং মরীদা 6 x 7 mm চাওবা নুঙ অমা লৈবদগী শগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই. টি. আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা ইচানুপা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা লাইশ্রম নবকিশোর) না পীবীরকপা হিদাক অদু চাবা নুমিৎ হুমনি শুবা মতমদা ঈশিং চৎপদা য়াওরক্লে। ঐঙোন্দা অৱাঅনা অমত্তা পীদনা ফহনবীবা অসিগীদমক্তা ইচানুপা সুধাকরবু মতম খুদিংমক্তা কাওজরোই লোয়ন লোয়ননা ঈশ্বরনা মতম খুদিংদসু থৌজানবীবা ওইরসনু।

**থৌদাম ইবোপীশক সিংহ**
*নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়।*

HL-P/1351/21

A TWO STOREY BUILDING FOR RENT

**Location :** Ghari Awang Leikai, Around 100 meters from Xtra Edge School and HRD Academy.
**Ground floor :** 3 rooms (15 feet x 13 feet each) + 1 room (55 feet x 13 feet) + Kitchen
**Top floor :** 3 rooms (15 feet x 13 feet each) + 1 room (55 feet x 13 feet)

The building consists of 8 Rooms, 4 Toilets, 2 Bathrooms, 1 Kitchen & a spacious parking area. The entire plot along with the building is enclosed by proper brick walls and an entrance gate.

**Deposit & Rent :** Negotiable
**Perfect for setting up Hostel OR Coaching**
Please Contact : ☎ 7628077540

HL-P/3315/15-21

SMART HOSTEL
SINGJAMEI SUPER MARKET
*(Seperated Boys & Girls)*
ADMISSION OPEN
(CLASS VI TO XII & COLLEGE)

FACILITIES
- 24/7 Power Supply
- 24/7 Hygienic Water
- Homely Care Food
- Auto, Magic, Bus Parking Front of Hostel
- Spoken English & Coaching All Subjects
- Urgent Medical Facilities Front of Hostel
- Van Service available.

FREE ADMISSION
NO DEPOSITED
₹ 3500 p/m only

40 BEDS ONLY

HL-P/1303/15/5-12/7 (Alt.)
Contact No. ☎ 8730999192